## ওকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ ভারত্তিয়া জনতা যুব মোর্চা (বি জে ৱাই এম) লম্লাই মন্দলনা শীন্দুনা লম্লাই এ সীগী মনুংদা লৈবা ঐচ এস এল সী ঈ, হায়র সেকেন্দরি ইগজামিনেসন ২০১৮ দা মকোক ওইরকপা অমদি পোজিসন লৌরকপশিংবু ওকপগী থৌরম অমা হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা বি জে পি লম্লাই এ সীগী লুচিংবা কে ঐচ ইবোমচাগী নোংঙাদা মখা লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা পাঙথোক্কনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## কবুইশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ কবুইশিংগী অপূনবা লূপশিংগী মীফম অমা কখুলোং বালৱাতি হোলদা থা অসিগী ৭কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কবুই সমিটি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি পি জি মকুনিংপৌ কবুই, কবুই মার্দরস এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট অতোংপি কামৈ অমসুং কবুই করিউমৈ ফোং, মণিপুর অসাম নাগালেন্দগী প্রসিদেন্ট ডা. হিরা মলংমৈ কবুইনা প্রিসাইদ তৌখি।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদা য়াওরিবদি কবুই খুন্নাইবু কন্ননবা ইপা-ইপুগী নাৎপু য়োকখৎনবা অমদি চাউখৎনবা অপূনবা লূপনা মোত অমত্তা ওইনা লেপ্লখ্রে। চহী লিশিং কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবা কবুই ফুরুপকী মমিং কবুইবু মাঙহন্দনবা হোৎনমিন্নসি হায়না ৱারেপ লৌখি হায়রি।

## অফবা মহৈরোয়শিং মনা পীগনি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ নম্বোল এ সীগী মনুংদা লৈরিবা কুমজা ২০১৮ কী ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা ইগজামিনেসন্দা পোজিসন হোল্ডর অমদি অপূনবা মার্ক চাদা ৭০ গী মথক্তা ফংবা মহৈরোয়শিংবু ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা মনা পীবগী থৌরম অমা থা অসিগী ১৩ গী নুংথিল পুং ১ তাবদা নম্বোল বজারগী কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## মফম কয়াদা উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ থৌবাল ফোরেষ্ট সব দিভিজনগী মখাদা ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট লিলোং লোকেল কাউন্সীলগী থৌমীশিংনা থৌবাল মোইজিং মিনা বজারগী অকোয়বদা মোইজিং হায় স্কুলগী কেম্পস, কৈবুং জুনিয়র অপ্পর প্রাইমারী মদ্রাসা, কৈবুং মদ্রাসানচিংবা মফমশিংদা তোঙান তোঙানবা উ চারা ৩০০ লোম থাখ্রে হায়রি।

মালেমগী অকোয়বগী ফীভম কন্ননবগীদমক্তা য়ু এনদা জুন ৫ বু মালেমগী অকোয়বগী নুমীৎ হায়দুনা কুমজা ১৯৭৪ দগী হৌনা মালেমগী লৈবাক ১১০ হেনবদা থৌরম অসি পাঙথোক্লি। লমদম অসিগী অঙৈং-অশাগী খল অসি কনবা ঙম্নবা এ এম দি সী অমদি য়ু পি এফকী থৌমীশিংনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা উ চারা কয়া থাখি।

## ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ঙসিগী এদিসনগী লামায় ৪ গী মরিশুবা কলমদা *তরানিপানশুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র মার্টরডম নীংশিং কুমওন পাঙথোক্কনি* হায়বা হেদলাইনগী পাউদা থা অসিগী ২০ হায়খিবদু থা অসিগী ১০ (হয়েং) হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

- এদিটর

## মকোক থোংবা মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে




ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌবা ঐচ এস এল সী ঈ ২০১৮ অমসুং কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ঐচ এস ঈ ২০১৮ লোয়ননা সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী ইগজামদা বিষ্ণুপুর এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা নাচৌ গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা মফমদা লৈবা পোজিসন হোল্ডর অমদি মার্ক ৱাঙনা ফঙলকপা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা খা পোৎশংবম ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

খা পোৎশংবম ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মরিরকশুবা ওইনা পাঙথোকপা মকোক থোংবা মহৈরোয়শিং মনা পীবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা বিষ্ণুপুর এ সীগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়খি, পুন্সি হায়বসি ইশা ইশানা শেমজগদবনি। মহৈরোয় ওইরিঙৈ মতমদা কন্না হোৎনহৌদ্রবদি তুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই। তাইবং শেন্বা মপুনা মীওইবা ঐখোয়বু শেন্লকপা মতমদা অৱাৎপা অমত্তা লৈহন্দনা শেন্লকখিবনি। মনা ফঙলবা মহৈরোয়শিংনা মতুং তারকপদা মায়োক্ন গদবা ইগজামশিংদা ৱাখল হন্থবা লৈতনা হেন্না ৱাঙনা মায় পাক্লবা হোৎনগদবনি। কন্না হোৎনরবদি য়ৌবা ঙম্লোইদবা লৈতে। মহৈরোয়শিংনা নীংজরিবা পান্দম অদু য়ৌবা ঙম্নবা কন্না হোৎনগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা নাচৌ জিল্লা পরিষদকী মেম্বর থিয়াম দিলিপ মৈতৈ অমসুং আর কে সোমেন্দ্রো (কাইকু) না গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

সলাম জিবন ফাউন্দর মার্দস প্রাইদ একাদেমী, ক্বাসিফাই, কৈশাম সুরচন্দ্র ইন্সত্রক্তর মণিপুর পুলিস ত্রেনিং সেন্তর পাঙ্গৈনচিংবসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শাখি লোয়ননা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট সাপম রঘুচন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌখি।

পুন্না মহৈরোয় ৪৫ দা মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৯: ব্রজমোহোন কোন্সমনা ইবা *পলেম ইমাগী শক্তম* হায়না মীংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা ঙসি মণিপুর হিন্দি পরিষদকী হোলদা ফোঙখ্রে। শৈরেং লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল মোইরাংথেম প্রিয়োবর্ত্তনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাউবনা প্রসিদেন্ট, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি রাজকুমার ভুবোনস্না অমসুং সাহিত্যা একাদেমী এৱার্দি বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৯: মণিপুর মেলগী জোইন্ট এদিটর ওইরম্বা উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকাইদা লৈবা নিংথৌখোংজম গীতচন্দ্র (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন নিংথেমজাও, মহাক ঙরাং নুংথিল খঙহৌদনা হার্ট এক্টেক তৌদুনা লৈখিদ্রে। মহাক্কী লোইন্নবী নিংথৌখোংজম ওংবী অনিতা, মহাক্কী মচানুপী রুপশ্রি লৈহৌরি।

অমরোমদা ওল মণিনপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (এমজু)গী সেক্রেটরি জেনরেল এস নন্দানা থোকপা চেরোল অমদা ঙরাং ইখঙ খঙহৌদনা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (এমজু) গী মেম্বর ওইরবা মণিপুর মেলগী জোইন্ট এদিটর নিংথৌখোংজম গীতচন্দ্রনা লৈখিদবদা ঙসি এমজু ষ্টেন্ডিং কমিতিগী মীফম অমা ফমদুনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু এমজুনা শরুক য়াজরি।

## লৈঙাক্না শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা হোৎনবীয়ু: জে এ সী

ইম্ফাল, জুন ০৯(ঐচ এন এস)ঃ হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হান্না সগোলমাংদা শান্নবা উরেপ উয়ুং তমখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ইম্ফাল ইষ্টবু কৈরাও এসিগী মফম অমদা অমুক ইনৌ নৌনা উরেপ উয়ুং তমদুনা শান্নবা থৌরাং তৌরকপদগী সাইকুল্ল অমসুং খুন্দ্রাকপম এসিদা নে তাদবা ফিভম অসি লৈরক্লিবসি হৌজিকসু কোকপা নৎত্রি হায়না জেএসি এগেষ্ট অননেচরেল সীফটিং ওফ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ইম্ফাল ইষ্ট সগোলমাংদা ফোঙদোরক্লি।

জেএসি এগেষ্ট অননেচরেল সীফটিং ওফ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ইম্ফাল ইষ্ট সগোলমাংগী কনভেনর এল থোইবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈঙাক অসিনা ষ্টেকহোন্দর অমত্তসু তান্নরমদনা লৌখিবা খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জেএসি অসিনা লমদম অসোমগী চীংমী-তমী লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়োক্তা চঙশিনখিবা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং অদুবু ইমা-ইবেল য়াওনা মীওই ৩০ অশোক-অপন নংখিববু লৈঙাক্না অমদি তৌশিন্নবা মীওই খরনা তরাই তরাইনা লৌদুনা অরেম্বা তাহনগনি হায়না খনবদি লানগনি হায়রি।

খুন্দ্রাকপম এসিগী সিনিয়ার সিটিজনশিংনা লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংগা তোইনা উন্নবীদুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নবীদুনা মেদিয়াদা পাউদম্বীবা য়াম্না নুংঙাই হায়না ফোঙদোরক্লি।

অদুবু হোস্পিটাল শাবিয়ু হায়বা ৱাফমদু সেকেন্দরি থল্লগা লমগী চয়েৎনবরোমদনা হেন্না প্রাইমরি ওইবা মরু ওইনা খনবগী মমি অমা পাউদম্বীদা তারিবসি পুন্নমক্কী লাইবক থিবনি।

জে এ সী অসিনা হৌবদগী হৌনা লমগী চয়েৎনবদি লৈঙাক্না লোইশিনগদবনি। মসিদা পাউথংফম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবদি য়ারোই, শগোলমাং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগদবনি হায়বা খোল্লাওশিং লাউদুনা লাক্লি। মীয়ামগী অচুম্বা ঈহৌ অসিবু মীদিয়াদা সাইকোলোজিকেল ব্রিফিং তৌদুনা মীয়ামগী শেংলবা ঈহৌবু নাথৈনবা হোৎনবা মীওই খরা লৈব্রা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে হায়রি। মীয়ামগী ঈহৌ অসি কৈদৌনুংদসু নাথৈবা ঙম্লোই হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা জে এ সীনা চীফ মিনিষ্টরগা হৌখিবা এপ্রিল ২৯ অমদি মে ২২ দা তাঙ্কক অনীরক ৱারী শানখ্রে। অনীশুবা তাঙ্কক্কী ৱারী শানখিবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা থন্বীরকখিবা ৱাফমশিং অদু পোজিটিব ওই হায়বা থাজবা থম্মীন্নরগা জে এ সীনা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং মতম খরা লেপ্পবা হায়জবদা মীয়াম্না য়াবীদুনা হৌখিবা মে ২৩ দগী মীয়াম অসি ঈংথনা লৈরক্নুনা লৈঙাক্কী চপ চাবা ফিরেপ অমা ঙাইদুনা লাকখিবনি। হৌজিক হৌজিক লৈবাক্কী ওইবা অরুবা ইস্যু অমনা লৈঙাক্কী মথক্তা ননদুনা লৈরি হায়বসি জে এ সীনা খঙদবা নত্তে। অদুবু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ইস্যু লোইশিনবা হায়বসি লৈঙাক্লবু থম্মোয় শেংলবদি অরাইবা ৱাফমনি। চীফ মিনিষ্টরগা জে এ সীগা উনদুনা থমখিবা ৱাফমশিং অদু মীয়ামদা পাউদমজবদগী মদুগী থাজবদুনা মীয়াম্না ঈংথরগা লৈরকপদু হৌজিক্তি লৈঙাক্কী মথক্তা মীয়ামগী থাজবা মাঙলকপগী মমি তারক্লিবসি জে এ সীনা চীফ মিনিষ্টরগী লেবেলদা ৱারী শানবা হৌখ্রবা ইস্যু অমবু মিনিষ্টরনা অতোপ্পশিংগা ঙাইহাক লৈতনা ৱারী শানদুনা মোত ফোঙদোকপদগীসু মরম অমনি। চীফ মিনিষ্টর অমনা মীৎয়েং চঙবা হৌখ্রবা ইস্যু অমদা মিনিষ্টর অমনা অমুক খুৎ থিংজিন্দুন তৌবসি হৌখিবা লৈঙাক অমত্তগী পুৱারীদসু থোকখিদ্রিবা মিনিষ্টরনা চীফ মিনিষ্টরদগী হেন্না প্রোটোকোল ৱাংব্রা হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লি। জে এ সীদসু মীয়ামগী অকনবা প্রেসর কয়া অমা লাকপা হৌরকপনা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দ্রবদি অফবা মহয় ফংলোইহায়না নিংই।

খোয়শাওনরবা মীয়াম্না মখোয়শিংগী অদুগী মথক্তা ওনশিল্লক্লবদি মদুগী থৌদাং কনানা পুগনি হায়বদু খঙবীব্রা হায়না হংলক্লি। ঙরাং নহান খক্তদা হোস্পিটাল ৱাথোক অসিগী মতাংদা খ্বাইদগী হেন্না অৱা-অনা পীরিবা লৈকায় মঙা হায়বদি য়ুম্নাম পাৎলৌ, শগোলমাং, ৱাখোং, খেৱা কম্পেনি অমদি খেৱা ফ্রুজুগী কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অনীনা লৈঙাক্কী থৌওং অমদি চরক চহিং নাইবা মীয়ামগী খোঙজংগী মতাংদা পেন্দবা ফোঙদোকপা লৈখিবা অদুম্মক তৌফম থোকপা অমনি হায়রি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মীদিয়াদা হায়নিংই, ঙাওনিংই হায়দুনা পংতৌ তৌবদু মতাং চাদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

জে এ সী অমদি মীয়াম্নসু খাংবা য়াবা খাংলক্লে অমদি ঙাইরিবা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্না ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা পুকচেল শেংবা মতৌ উৎতবসি লাইবক থীবনি। ৱাথোক অসি লোইশিনবা অমা নাইদ্রিবমখৈ লমদম অসোমগী মীয়াম তুমীন্না খক লৈরোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

## দ্রগ চাবা অমদি য়োনবা মীওই ২১৬ ফাগৎখ্রে : লেৱা

ইম্ফাল, জুন ৯ (ঐচ এন এস) : লমদিং এদুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা) লমদিং খুমন্থেম লৈকাই থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুরনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমদি চাবা মীওইশিংবু তোকহন্দুনা অফবা লম্বীদা লোয়ননা অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা কন্না হোৎনরি হায়না, এসোসিএশন অসিগী সেক্রেটরি এন রোমেননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, হৌখিবা ২০১৭ জুনগী ৯ দগী চহীসিগী জুন ৯ ফাওবদা এসোসিএশন অসিনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি য়োনবা মীওই ২১৬ অমসুং নিশাগী পোৎলম কয়াসু ফাগৎখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৬০ মুক্ত । রিহেবিলিটেসন সেন্টরতা থমদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জনখ্রে। ফাগৎখিবশিং অদুগী মনুংদা থোকচোম লৌৱাইদগী ২, অথোকপদগী ৬, হৈরোক্তগী ৩০, খাঙবোক্তগী ১০, লমদিংদগী ২১, খোংজোমদগী ৮, ৱাজিংদগী ১৪, সলুংফমদগী ১৯, চীংথাম ১, মোরেদগী ২, ৱাংবলদগী ৬, উখোংশাংদগী ১, থিয়াম কোনজিনদগী ৩, তেন্থাদগী ৫, শেরৌদগী ১, ককচিংদগী ৯, থৌবালদগী ৬, চনম শনদ্রোকতগী ৪, য়াইরিপোক্তগী ৫, ৱাবগাইদগী ৪, শঙ্গাইয়ুমফমদগী ৪ অমদি ককচিং খুন্নৌদগী ২ নি হায়রি।

ক্লব অসিনা ফাগৎলবশিং অদু শোরা অমদি শঙ্গাইয়ুমফমদগী অয়াম্বা ঙাক্তনি। মরম অসিনা খুল অনী অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনফমশিং লৈ। মরম অদুনা অতোপ্পা খুঞ্জাশিংনা মরম চাদনা চঙবিগনু। লৈকাই লৈকাইদা লৈরিবা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনসু অসিগুম্বা দ্রগকী দ্রাইভ অসিদা মতেং পাংবীনবসু অপিল তৌরি। লোয়ননা মীয়াম খুদিংমক্নসু ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনমিন্নদুনা তুংগী মহৈরোইশিংগী পুন্সিবু অফবা লম্বীরোমদা পুনবা হোৎনসি। মসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তৌরকপা ঙাইদুনা লৈথোক্লগদি নহারোলশিং পুন্সি তুম্না মাঙখ্রগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ‘এস এস এগী লাইরিকশিং জুন-জুলাইদগী নম্বা হৌগদবনি’

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা পুথোকপা সর্ব সিক্ষা অভিয়ানগী লাইরিকশিং অসি নম্ন বগীদমক চহী অসিগী জানুৱারি ২৫ দা প্রিন্টিং ওর্দর পীদুনা ফেব্রুৱারি ১০ দা সেসন হৌবা নংনবা পুথোকপীয়ু হায়বদগী প্রেসকী মীওইশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ফেব্রুৱারি ২০ দগী লাইরিকশিং পীবা হৌখি হায়না ওল মণিপুর প্রেস এসোসিএসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এন ইন্দ্রলালনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা থা খরা অসিদা বিল অসি পীথোকপীনবা বোসেমদা হায়জদুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা পীথোকপগী পাউ লৈতে। লমদম অসিদা মহৈরোয়শিংনা তম্নরিবা লাইরিকশিং নম্লিবা অসি প্রেসশিংগী ইচিল-ইনাওশিংনা বোসেমনা চেদমক পীবীরগা নম্বনি। মরম অদুনা বোসেমনা বিল পীথোক্তবদা প্রেসশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। মরম অদুনা লাইরিক নম্বগী বিল পীথোকপীয়ু।

অমরোমদা, বোসেমগী লাইরিক অসি চহী ৩/৪ গী মমাঙদগী ক্বালিটি লৈনা পুথোক্লবা অমদি মতম চানা নম্বা হৌনবা এসোসিএসন অসিনা হায়জদুনা লাক্লি। হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসি বোসেমগী অপান্বা মওংদা নমজবনি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগীদি মতম চানা জুন অমসুং জুলাইদা নম্বা হৌদুনা মল্টি কলর/বাই কলরদা অফবা চেশিং শীজিন্নদুনা নন্লি। হায়রিবা লাইরিকশিং অসিগা য়েংনরুরগদি বোসেমগী লাইরিকশিং অসিদগী য়াম্না খেন্নবা লৈ। মরমশিং অসিনা ক্বালিটি লৈনা মতম চানা পুথোক্লবগীদমক চহী খুদিংগী জুন থাদগী হৌবীয়ু হায়রি।

## মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ ঃ মণিপুর হিন্দী পরিষদ ইম্ফালগী ৬৬ শুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ৭ কী নুংথিল পুং ৩ তাবদা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পরিষদ অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. তখেল্লম্বম কুঞ্জকিশ্বরনা প্রিসাইদ তৌখি। পরিষদ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট রামনাথ প্রসাদনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। থৌরম অদুগী অহৌবদা পরিষদ অসিগী হান্না মেম্বর ওইরম্বা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মীনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

## লিগেল এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ ঃ নম্বোল মোইজিংদা লৈবা এদ্যুক্যের কে এস ইন্টরনেসনল স্কুলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লিগেল এৱ্যেরনেসকা লোয়ননা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্টকী থৌরমসু পাঙথোকখ্রে। কামোং নুপী-অঙাংগী য়াইফ লূপনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমজিং মখাদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস অমসুং ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী হেদ মিষ্ট্রেস এস সিলসিলানা প্রিসাইদ তৌখি অমদি এল অসাপুরনা এদভোকেট, এক্স-জেনরেল সেক্রেটরি এ এম এল এনা জে জে এক্ট অমদি পোক্সোগী মতাংদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী মতাংদা এম জয়কুমারনা ৱা ঙাঙখি। প্রোগ্রাম অসি হৌদোক্লন্দুনা লূপ অসিগী সেক্রেটরিনা ফ্রি লিগেল এইদ অমদি ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্টকী থৌরম করিগীদমক পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা মরিক ৱাফম থমখি।

## সনামহী কিয়োংগী তেঙবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৯ঃ নোংমাইচিংদা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনিংকোলগী লাইশঙ শাগৎলিবা অসিগীদমক্তা শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি হায়না লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা আর কে পোদাসনা, নাওরেমথোং খুল্লেম লৈকায়দা লৈবনা লৈখিদ্রবী নিংথেমচা ওংবী মেম্মাগী মিংদা লুপা ১০৫০, কৈথেল্লাকপম দিনমনি, নাওরেমথোং শামুশঙ লাইরেম্বী লৈরক্ত লৈবনা লুপা ১০০০, সন্দ্রোক অৱাং লৈকায়দা তখেল্লম্বম রমানন্দনা লুপা ১০০০, লম্বোইখোংনাংখোং মমাঙ লৈকায়দা লৈবা করাম মনিসনানা লৈখিদ্রবা মপুবোক শগোলশেমগী বোরোগী মিংদা লুপা ১০০০, শামুশঙ লৈবা অহোংশাংবম ইনাওনা লুপা ১০০০, লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈবা মৈনম সোমোরজিৎনা লুপা ১০০০ তেংবাংবীরকখি। লম্বোইখোংনাংখোং ভেটিরিনরি লৈরক্তা লৈবা লৌরেম্বম মেরাজাওনা লুপা ১০১০, জিরি বিদ্যনাগর দিবোংদা লৈবা কেক্রেবম শরতকুমারনা ১০,০০০, অচানবিগৈ লৈরক্তা লৈবা অখাম ওংবী শান্তিনা লৈখিদ্রবা মপুরোইবা অখাম ভুবোনগী মিংদা লুপা ২০০০, লৈখিদ্রবা চবুংবম জিলা, লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈবগী মিংদা লুপা ১০০০, ললাম্বুং মখোংদা লৈবা চোংথাম গম্ভীরনা লুপা ১০০০, লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈবা পেবম রঞ্জিৎনা লুপা ২০০০, মফম অসিমক্তদা লৈবা লাইশ্রম ইবুংঙোহলনা লুপা ১০০০, মফম অসিমক্তদা লৈবা শৌগাইজম নবচন্দ্রনা লুপা ১০০০ অমসুং য়ু কে ঈ লাইট এন্দ দাউন্দ সার্ভিস, লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈবনা লুপা ১০০০ শেলগী তেংবাং পীরম্মী হায়রি।

## লাইরিক য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ককচিং, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ হান্না মমাঙঙৈগী মতৌগুম ফগাৎহনবা হায়বসিদা মহৈলোয়শঙশিং অদুগী মপা-মমা, ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংগী অপূনবা থৌদাং লৈ হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিনা ফোঙদোকখ্রে।

এস এস এ, থৌবালগী মখাদা খাঙবোক পার্ট টুগী মৈস্নাম লৈকায় অপ্পর প্রাইমারী স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা লেম্না লাইরিক য়েন্থোকপগী থৌরমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জাদুমনিনা মখা তানা হায়খিবদা, হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমদি লোয়শঙশিংনা ষ্টেট অসিগী ঙাক্না চলাইরিবা মহৈলোয়শঙশিং অসি মহৌশাগুম্না ফগৎনবা হোৎনরি। লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিংদা তন্নিবা মহৈরোয়শিংবু লেম্না মিং চনবীরি অমসুং থাগী ট্যুসন ফিসু লৌদ্রি হায়রি।

লেম্না লাইরিক, য়ুনিফোর্মনচিংবা য়েন্থোক্লি। হায়রিবশিং অসি লন্নাই মহৈলোয়শঙশিংদদি য়াম্না চাউনা লৌনরিবনি। অদুবু মমা-মপাশিংনা মচা-মশুশিংবু লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিংদা তমহনবীয়ু। থৌওং অসি লন্নাইগী মহৈলোয়শঙশিংদদি য়াম্না চাউবা থবক অমা ওইনা লৌনরি। মচা-মশুশিংনা মহৈ তম্বা চৎখিবদা ওজাশিং লাকপ্রা, করি করি তাকপী তম্বীরকই হায়বদুসু য়েংশিনবীয়ু অমদি শেন্নবীয়ু। ওজাশিংনসু মচা-মশুমক্কি খন্না মহৈ তম্বীয়ু। মতম অদুদা অফবা মহৈরোয় পুথোকপা ঙম্বতা নত্তনা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিং অমুক হন্না হিঙ্গৎহনবা ঙমগনি। লোয়ননা ইমুং-মনুংদগী হেন্না চৎখিগদবা শেল-থুম কয়া কনবসু ঙমগনি। মহাক্কী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লাইরিক য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থোকচোম জাদুমনিনা অথোইবা মীথুং, খাঙবোক মৈস্নাম অপ্পর প্রাইমারী স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা হেদ মিষ্ট্রেস এল ইন্দিরানা প্রিসাইদ তৌখি। খাঙবোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এস ওপেন্দ্রো অমসুং জোন থ্রী থৌবালগী এসিষ্টেন্ট ইন্সপেক্টর এম ঈ এস, টি ঐচ অনুরাসিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিং, ক্লবকী মীহুৎশিং অমদি ওজাশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

## সেমরোক কীদস গার্দেনগী এন্ন্যুএল দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ঃ মৈতৈ কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী অনীশুবা চহীগী ওইবা কনক্লেব মীট হৌদোকখিবগা লোয়ননা লিমিটেদ অসিগী মখাদা হাঙদোকখিবা সেমরোক কীদস গার্দেনগী এন্ন্যুএল দে থৌরম ঙসি পোরোমপাৎ সোইবম লৈকায়দা লৈবা এম সী পি এলদা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মৈতৈ কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্তর চিংশুবম অকাবনা হায়খি, ঐহাক পীক্লিঙৈদগী হৌনা ইন্টরপ্রিটর অমা ওইনিংদুনা লাকখি। গ্রেজুয়েসন তম্বা লোয়রবা মতমদা কন্সত্রক্সন ৱার্ককী থবকশিংদা খোঙদারবা মতুং প্রাইভেট লিমিটেদ অসি লীংখৎলকখিবনি।

লিমিটেদ অসিগী এক্সপান্সন ওইনা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা তোপ তোপ্পা এদ্যুকেসনগী মঙাল অমা ফঙহন্নবগী পান্দমদা সেমরোক কীদস গার্দেন অসি লীংখৎলকখিবনি। কীদস গার্দেন অসিদা থ্রি দিগী টিচিং সিষ্টেম অমা অথুবদা হৌদোক্লগনি। মসিনা পীক্লিবা মহৈরোয়শিংদা লৌশিং হেনগৎহনগনি হায়নসু থাজে। মখা তানসু মহৈরোয়শিংগী য়াইফননবা অহেনবা টিচিং মেথদ কয়া হাপকৎনবা পান্দম থল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেমরোক কীদস গার্দেনগী খ্বায়দগী ফবা মহৈরোয় অমসুং খ্বায়দগী ফবা ষ্টাফশিংদসু মনা-মথুম পীখি। লোয়ননা সেমরোক কীদস গার্দেনগী পীক্লিবা মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা আইটেম কয়া অমসু উৎখি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN
Foundation Course for Class III to X
Starts from 7th June 2018 Time - 4:30 pm to 7:30 pm Limited Seat




BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Pliz Contact : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE
HL-B/4592/29/5-28/6

MULTIPLE JOB VACANCIES

| SL.No. | NAME OF POST | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard | VIII & above | 6000/- & above |
| 2. | Driver | VIII & above | 7000/- & above |
| 3. | Cook/House Keeping | VIII & above | 6000/7000/- & above |
| 4. | Attendant/Receptionist | X/XII/Graduate | 5000/7000/- & above |
| 5. | Field Officer/Loan Recovery Staff | XII & above | 7000/- & above |
| 6. | GNM/B.Sc. Nursing/ Lab-Tech/X-ray Tech | | Negotiable |

URGENT JOB VACANCIES FOR EX-SERVICEMENT & FRESHERS


| SL.No. | NAME OF POST | AGE | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard | Upto 50 yrs | 13000/- & above |
| 2. | Security Supervisor/Gun Man | Upto 50 yrs | 14500/- & above |
| 3. | Security officer/Asst. security officer | Upto 50 yrs | 16000/- & above |
| 4. | Driver | Upto 50 yrs | 14000/- & above |

POST VACANCIES FOR AIRPORT AND AIRLINES (IGIA DELHI&IMPHAL)

| SL.No. | NAME OF POST | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1. | C.S.A/Air ticketing | Graduate | 16000/- +Incentive |
| 2. | Cabin Crew/Air Hostess | XII & above | 45000/- & above |
| 3. | TFS, Retails, PSA | XII Passed | 15000 + Fooding + Incentive |
| 4. | Trolly/Loader | VIII to X passed | 14500/- +overtime |
| 5. | Flight cleaner/Weight checking | VIII to X passed | 14500/- + above |
| 6. | Helper/Panboy | VIII passed | 9000/- + Incentive |
| 7. | Driver/Security | VIII passed | 17000/- + overtime |

Last Date of Form Submission : 11/06/2018
Interview Date : 13/06/2018
Officer Hour : 9:30 am to 4:00 pm
For more details Please contact :
☎ 9089590410 / 8794829055
LIFE CARE JOB CONSULTANCY
Sagolband Salam Leikai, Imphal-795001
Regd. No. 14/006/21/04170/Micro-Part-1
HL-P/3245/29/5-10/6

/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
HL-B/4629/17/5-16/06